# পোলিটিকেল কনফ্লিক্ট মখা চথরবদি মফম থাদোক্কনি হায়না ইরাক্কি প্রাইম মিনিষ্টরনা কিহনখ্রে



বাঘদাদ, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী): ইরাক্কি পোলিটিকেল কনফ্লিক্ট ফেক্সনশিংগী মরক্তা খুৎলায় শীজিন্নবগী থাক য়ৌখিবদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর মুষ্টাফা অল-কাদিমিনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং করিগুম্বা পোলিটিকেল য়েৎনবা অদু মখা চথবা তারবদি মহাক মফম থাদোক্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা ৱা ঙাঙবদা অল-কাদিমিনা হায়খি, মদুদি হৌজিক থোক্লিবা লৈবাক অদুগী পোলিটিকেল কনফ্লিক্ট অদুনা মহাকপু অদুক্কী মতিক নুংঙাইহন্দ্রে। ঙরাংগী ইরাংদা ইরাক্কি কয়াগী ঈখেং শিন্থখিবা অদুনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা ঐখোয়না খুৎলায় পুম্নমক ষ্টেট ওথোরিটিগী মখাদা থমগদবনি হায়বগী ৱার্নিং অমা পীরে।

মুষ্টাফানা হায়খি, মদুদি করিগুম্বা কাং খোং চাইবগী ফিভম, কনফ্লিক্ট, য়েৎনবা অমদি অমগা অমগা তাথিনবগী থৌওংশিং মখা চথরবদি অমসুং অফ-ফত্তশিং খন্নরক্তবা তারবদি ঐহাক্না মোরেলগী ৱাফম অমা ওইনা থৌনা লৈনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম অসি থাদোক্লেহায়না লাউথোক্কনি অমদি য়েৎনরিবা পার্টিশিংনা মদুগী থৌদাং লৌগদবনি হায়না ইরাক্কি পুম্নমক্তা খঙহন্দুনা লৈবাক অসিগী পুৱারীদা ইদুনা থল্লমগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ইরাক্কি লিশিং কয়াগী পুন্সি লোমদুনা চহী কয়া চুপ্পা ইরাক্তা মীশি মীনা থোক্তুনা লাক্লি। লৈবাক অসিদা শিন্থরিবা ঈখেং পুম্নমক মরু ওইনা কুম পুদুনা লৈরবা পোলিটিকেল ফেলিয়রনা থোকহনবনি। মদুগী মমাঙ অঙনবদা প্রসিদেন্ট বরহম সালিনা টেলিভিজনগী থোঙদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, মদুদি পোলিটিকেলগী য়েৎনবা অমদি অমগা অমগা মুক্লবগী মহুত্তা ক্রাইসিস অসিদগী নাম্থোক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে ওইনা ঐখোয়না লৈবাক্কী ওইবা ৱাখল তান্নবগী ফিভম অমগী মখাদা মীখল ঙন্না পাঙথোকপা য়াই।

প্রসিদেন্ট মখা তারদুনা সিয়া পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিশিংগী অম্ব্রেলা গ্রুপ অমা ওইরিবা সিয়াইদ কোওর্দিনেসন ফ্রেমৱার্ক (সিএফ) তা সেদরিষ্ট মুভমেন্টগী লুচিংবা মোক্তাদা অল-সদরগা ৱারী শান্নদুনা নৌনা মীখল পাঙথোকপা অমদি অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বগী ৱাফমশিং য়েংশিনগদবা পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা লাকহন্নবা আপিল তৌখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা অল-সদরনা মহাক্কী খোঙলোইশিংদা মখোয়গী প্রোটেষ্ট লেপ্পুনা বাঘদাদতা লৈরিবা গ্রিন জোনদগী হন্দোক্লবা আপিল তৌখিবনি। মদু মখোয়গী প্রোটেষ্ট অদুদা মীওই ২ শিখিবগা লোয়ননা মীওই ২০০ হেন্না অশোক অপন নঙখ্রবা মতুংদনি। নজাব সিটিদা পাঙথোকখিবা টেলিভাইস প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা অল-সদরনা ভাইওলেন্সনা শোকহল্লবা ইরাক্কি মীয়ামদা এপোলোজাইস তৌখি অমদি য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী থৌওং খুদিংমক নোংমৈ মরু অমসুং বোমগী মফম লৈহল্লোইদবনি হায়খি।

মহাক্না খোঙলোইশিংদা পার্লিয়ামেন্ট মমাঙদা ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌরিবশিং য়াওনা মখোয় লোইনমক মিনিটি ৬০ গী মনুংদা মফমদুগী হন্দোক্লবা খঙহনবগা লোয়ননা হায়রিবদু তৌদ্রবদি মহাক্না মখোয়বু শকখঙলোই হায়না ৱার্নিং তৌখি। লৈবাক অদুগী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা চথরিবা করপসনগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরদুনা অল-সদরনা মহাক পোলিটিক্সতগী পোথারগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা মহাক্কী সপোর্টরশিংনা গ্রিন জোনদা লৈরিবা মরু ওইবা গভর্ণমেন্ট হেদ ক্বার্টর্সশিংগী মনুংদা খরদা থোমজিনখিবনি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা অল-সদর অমসুং মহাক্কী রাইবেলশিংগী মরক্তা পোলিটিকেল টেন্সন হেনগৎলকখিবনি।

# কোলিসন পার্টনরশিংগা তান্নরবা মতুংদা পাকিষ্টাননা ইন্দিয়াদগী চিঞ্জাক ইম্পোর্ট তৌবগী মতাংদা ৱারেপ লৌগনি



ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী): পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা মসিগী কোলিসন পার্টনরশিং অমসুং মরু ওইবা ষ্টেক হোল্ডরশিংগা তান্নরবা মতুংদা ইন্দিয়াদগী চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং ইম্পোর্ট তৌবগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌগনি হায়না লৈবাক অসিগী ফাইনান্স মিনিষ্টর মিপতা ইস্মাইলনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

শাথিরবা ঈশিং ঈচাওনা লৈবাক অসিগী মহৈ মরোংশিং মাঙহন তাকহনখিবদগী চিঞ্জাক্কী আইটেমশিংদমক থাজনিংঙাই ওইদবা থাক য়ৌনা ৱাংখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা মনা মশিং অমদি অতৈ চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং ফঙলক্তবগী অরুবা প্রোব্লেম অমা মায়োক্লরক্লিবনি।

চিঞ্জাক কোন্নরক্তবা নত্ত্রগা ফঙলক্তবগী প্রোব্লেম অদু কোক-হনবদা মতেং ওইনবা ৱাগা বোর্দরদগী চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং ইম্পোর্ট তৌবা য়াহন্নবা ট্রেদরশিংনসু গভর্ণমেন্টদা তকশিনখ্রবনি। অদুম ওইনমক মিনিষ্ট্রি ওফ কর্মসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা তিলহৌ অমসুং খামেন অশিনবগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলক্লিবদু কন্ট্রোল তৌননবা আইটেমশিং অসি অফঘানিষ্টান অমদি ইরানদগী ইম্পোর্ট তৌননবা ৱারেপ লৌখি।

ইস্মাইলনা হায়খি, মদুদি লেন্দ বোর্দর ফাওরগা মখোয়বু ইন্দিয়াদগী চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং পুশিনবা য়াহন্নবা ইন্টরনেসনেল এজেন্সি খরনসু গভর্ণমেন্টদা হায়জরকপা লৈখ্রে। গভর্ণমেন্টনা চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং ইম্পোর্ট তৌবা য়াহনগদ্রা নত্ত্রগা য়াহল্লোইদ্রা হায়বগী মতাংদা কোলিসন পার্টনরশিং অমদি মরু ওইবা পার্টনরশিংগা তান্নরগা ৱারেপ লৌরগনি। তৌইগুম্বসুং আইটেমশিং অসিগী সপ্লাই পোজিসনদা অৱাৎ অপা লৈরে হায়বা খঙবা খক্তা য়ুম্ফম ওইরগা ইম্পোর্ট তৌনবা ৱারেপ লৌবদি তৌরোই।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাহোর চেম্বর ওফ কর্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি (এল সি সি আই) না গভর্ণমেন্টদা ৱাগা বোর্দর ফাওরগা ইন্দিয়াদগী মনা মশিংশিং পুশিনবগী পার্মিট পীননবা তকশিনখি। জিও ন্যূজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না লৈবাক অদুদা মনা মশিংগী মমলশিং লেপ্পুনা হেনগৎলক্লিবদু কন্ট্রোল তৌননবা ইন্দিয়াদগী আইটেমশিং অসিবু ইম্পোর্ট তৌনবগী পার্মিসন পীবিনবা এল সি সি আইগী প্রসিদেন্ট নৌমান কাবিরনা গভর্ণমেন্টদা হায়জখি।

মহাক্না হায়, লৈবাক অদুনা হৌজিক মায়োক্লরিবা মনা মশিংনচিংবা চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং ফঙলক্তবগী ক্রাইসিস অদু সেপ্টেম্বর, ওক্তোবর অমসুং নবেম্বরদা হেন্না লুশিল্লক্কনি।

# বাংলাদেশকী ফ্রিদম ফাইটরশিংগী ইমুংগী মীওইশিংনা জষ্টিস দিমান্দ তৌখ্রে



ধাকা, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী): কুমজা ১৯৭৭ কী ওক্তোবর ২ দা হান্নগী প্রসিদেন্ট জিয়াউর রাহমনগী ফোর্সশিংনা মঙকশমদা থৌরি থুদুনা হাৎখিবা বাংলাদেশি ফ্রিদম ফাইটর অমসুং ৱার হিরো ১২০ গী ইমুংগী মীওইশিংনা ধাকাদা লৈবা সেন্ট্রেল জেলগী মমাঙদা রেল্লি পাঙথোক্তুনা জষ্টিস দিমান্দ তৌখ্রে।

ইন্টরনেসনেল ডে ওফ ড ভিক্তিমস ওফ ইনফোর্স দিস-এপ্যারেন্সেস ২০২২ গা মরী লৈননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সেন্ট্রেল সহিদ মিনরদা দিস্কসনগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মদু 'ৱি ৱান্ট জষ্টিস ফোর ড দিসএপ্যারেন্স এন্দ হেঙ্গিং ওফ ড ব্রেব ফ্রিদম ফাইটর্স ইন ১৯৭৭' হায়বা বেন্নর মখাদা পাঙথোকখিবনি।

বি এন পি লিংখৎখিবা জিয়াউর রাহমননা লুচিংদুনা লৈবাক অসিবু পানখিবা মতমদা কু ১৯ পাঙথোকখি। অয়াম্বনা ফ্রিদম ফাইটরশিং, ৱার হেরোশিং ওইবা মীওই ১৫০০ রোম ফাজিনখি। মখোয় মতুং তাবদা আর্মদ ফোর্সেসতা য়াওশিনখি। ফঙ্কসন অদুদা দেলৱার হুসেনগী লোইনবী ওইরিবী মশাগী চহী ৭০ শুরবী নুরুনাহর বেগম্না মহাক্কী মপুরোইবগী মোঙফম কদায়দা লৈবগে খঙহল্লু হায়না দিমান্দ তৌখি।

নুরুনাহরনা হায়খি, মদুদি য়ুম পানবা মতুং চহী অহুমগী মতুংদা খঙহৌদনা মহাক্কী মপুরোইবা অদু মাঙখিবনি। মতুং তাবদা মহাক্না মপুরোইবগী অশিবা হকচাং অদু হাৎলবা মতুংদা লোৎতুনা থমখি হায়বসি খঙলকখি। করিগুম্বা ঐহাক্না ঐহাক্কী ইপুরোইবগী মোঙফম অদু খঙহনবা তারবদি ঐহাক্না মদুদা লাইশোন পাঙথোকচবা য়াই হায়না মহাক্না লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংগী নাকোং য়ৌনবা হায়খি।

ইমুংগী মীওইশিংনসু থীবা খঙখিদ্রবা মখোয়গী নুংশিজরবা মীওইশিং অদুগী লৈহৌরিবা শরুকশিং ফঙননবা হৌজিকসু লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। লিবরেসন ৱার এফেয়র্স মিনিষ্টর এ কে এম মুজামেল হকনা হায়খি, মদুদি রেবেলিয়ন নমথবগী মিংদা জিয়াউর রাহমন্না মিলিটরিগী মেম্বর ২৫০০ দগী ৩০০০ ফাওবা ট্রাইয়েল তৌদনা হাৎখি। ফ্রিদম ফাইটরশিং খন্দোক্লগা হাৎখি অমসুং মখোয়গী হকচাংশিং অদু ধাকা, কোমিলা, চাতোগ্রাম, লাংপুর, জাসোর অমসুং বাগোরাগী সেন্ট্রেল জেলশিংদা ফুমজিনখি।

# টর্কিজ অমসুং ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা অফঘান রিফ্যুজি ১৪ হাৎখি

লন্দন, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী): হৌখিবা চহীদা টর্কিজ অমসুং ইরানিয়ন বোর্দর ওথোরিটিশিংনা য়ামদ্রবদা অফঘান রিফ্যুজি ১৪ হাৎখি হায়না এমনেষ্টি ইন্টরনেসনেলনা মরাল শীখ্রে।

য়ুকেদা বেজ তৌবা এন জি ও অসিনা হায়খি, মদুদি য়ুমশকৈশ নুমিত্তা রিলিজ তৌবা 'দে দোন ট্রিট অস লাইক হ্যুমেনস' কৌবা রিপোর্ট অমদা ইরানিয়ন ফোর্সশিংনা অফঘান ১১ লোনা য়াদবা মওংদা হাৎখিবা অমদি টর্কিজ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অহুম হাৎখিবগী থৌদোকশিং রেকোর্দ তৌরি।

রাইটস গ্রুপ অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ইরান অমসুং টর্কিগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈবাকশিং অসিদা চঙশিন্নবা হোৎনরিবা অফঘানশিংবু হঞ্জিন হঞ্জিন তকথোকখি। ইরানিয়ন সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মী চিন্না তোংবা কারশিংদা তোইনা নোংমৈ কাপশিনখি। অসুম তৌদুনা টর্কিজ বোর্দর গার্দশিংনসু লোনা য়াদবা মওংদা অফঘান রিফ্যুজিশিংদা লাইভ এম্যুনেসন শীজিন্নখি।

ফিগরশিং অসি টালিবাননা ২০২১ গী ওগষ্টতা লৈঙাক্কী পৱার অমুক হন্না পায়রকখিবা মতুংদা থোকখিবশিংগা মরী লৈনৈ। টালিবাননা লৈঙাক্কী পৱার পায়শিনখিবদগী লৈবাক অসিগী হ্যুমেনিটরিয়নগী ফিভম মীপায়নিংঙাই ওইবা মওংদা শোকচিল্লকখি।

রিপোর্ট অসিগীদমক এমনেষ্টিনা অফঘান সিটিজন ৭৪ অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসল মঙা, উকিলশিং অমসুং অতৈ এক্সপার্ট কয়া কুমজা ২০২১ গী নবেম্বর অমসুং কুমজা ২০২২ গী মেগী মরক্তা ইন্টরভিয়ু তৌখি। ওর্গনাইজেসন অসিনা কুমজা ২০২১ গী মার্চ অমসুং কুমজা ২০২২ গী মেগী মরক্তা লোনা য়াদবা মওংদা অফঘান রিফ্যুজিশিংবু নম্ফুদা ময়ুমদা হলহনখিবগী কেস ২৫৫ সু আইদেন্টিফাই তৌখি।

জিনিভা কনভেন্সন ওন রিফ্যুজিজ কী মতুং ইন্না রিফ্যুজিশিং থুংলরিবা লৈবাকশিং অদুনা মখোয়বু তাথি তাওইনা তৌরিবা মফমশিংদা নমদুনা অমুক হলহল্লোইদবনি। কনভেন্সন অসিগী মখাদা টর্কিনা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংগী সিটিজনশিংদা রিফ্যুজি ষ্টেটস পীখি।

# বোলোদিমির জেলেন্সকি মশা চৎতুনা য়ুএনজিএ দিবেটতা শরুক য়ারবা য়াই: ওফিসল



ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা য়ুএন জেনরেল এসেমব্লিগী জেনরেল দিবেটতা য়াওবা য়ানবগী খোঙচৎ অমা মায় পাকহন্নবগীদমক্তা দিপ্লোমেটশিংনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে।

মদু হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাখিবা মতুংদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট মপানদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইরগনি। য়ুএন দা লৈবা য়ুক্রেনিয়ন স্পোক্স পার্সন এনাটোলি সেলেনকোনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি প্রসিদেন্ট য়াওনা ওফিসলশিংগী খোঙচৎ অদুগীদমক্তা ঐখোয়না শেম শারে।

জেলেন্সকি অসি সেপ্টেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুএনগী খ্বাইদগী চাওবা চহীগী ইভেন্ট অদুগী এজেন্দাদা স্পিকর অমা ওইনা লিষ্ট তৌরি। তৌইগুম্বসুং সেলেনকোনা মসিদা অহোংবা লাকপা য়াই হায়বা ৱাফম থল্লদুনা খোঙচৎ অদু তশেংনা পাঙথোরক্কদৌরিব্রা হায়বসি হৌজিক ফাওবা শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়খি।

য়ুক্রেনিয়ন মিশননা খোঙচৎ অদুগীদমক্তা থৌরাং তৌরি হায়বা ৱাফম অসি য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী সোর্সশিংনসু কনফার্ম তৌখ্রে। জেলেন্সকিনা হেদ ওফ ষ্টেট অমসুং গভর্ণমেন্টগী হেদশিংগী ওইবা চহীগী ওইবা মীফম অদুদা শরুক য়াননবা থৌরাং তৌরি হায়না সোর্সশিং অদুনা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট অসিনা মপানদা খোঙচৎ অমা পাঙথোকপা তারবদি মহাক্কী পুন্সিদা শাথিবা খুদোংথীবা ফিভম মায়োক্লরকপা য়াই হায়নসু দিপ্লোমেটশিং অসিনা ফোঙদোকখি।

মখোয়না ইস্যু অসিগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌবা তারবদি য়ুক্রেনদা ওইরক্লিবা মিলিটরিগী খোঙথাংশিংগা মরী লৈনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চহী অসিদা সেপ্টেম্বর ২০ দগী হৌরগা ন্যু য়োর্কতা লৈবা য়ুএন হেদ ক্বার্টর্সতা জেনরেল দিবেট অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি। দিবেট অদুদা ৱা ঙাঙগদৌরিবশিংগী মনুংদা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন, জমর্নগী চাঞ্চেল্লর ওলাব সোলস অমসুং রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সির্গ লাভরোব য়াওরি।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টনা এসেমব্লি অদুগী চাওরবা হোল অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা দিবেটতা শরুক য়াবা হায়বসিনা মহাক্কী লৈবাক্তা লান থোক্লিঙৈ মনুং অসিদা অচৌবা সিম্বোলিক ইম্পেক অমদি লৈহল্লবা য়াই হায়রি।

জেলেন্সকি অসি লান অদু হৌখিবদগী সেক্যুরিটিনা মরম ওইদুনা য়ুক্রেন মনুংদা চখোক চৎশিন তোইনা তৌবা উদে হায়রি।

# ইন্দিয়াগী আর্মি চীফ লাক্লগনি হায়না নেপালনা লাউথোকখ্রে

কাঠমান্দু, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ (সি ও এ এস) জেনরেল মনোজ পান্দে নুমিৎ মরিনিগী নেপাল খোঙচৎতা সেপ্টেম্বর ৪ দা কাঠমান্দুদা থুংলরগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নেপালগী আর্মিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

মেম্বর মঙাগী দেলিগেসন অমা লোইনরক্কদৌরিবা জেনরেল পান্দেগী খোঙচৎ অদু নেপালগী মহাক্কী লেঙমান্নবা জেনরেল পর্ব রাম শর্ম্মনা ইনভাইট তৌবদগী পাঙথোক্কদৌরিবনি। ইন্দিয়ন আর্মি চীফ অসিগী খোঙচৎ অদুগী মরু ওইবা ইভেন্টশিংগী মনুংদা আর্মি পেবলিয়নদা লৈবা মার্ট্যরশিংগী মেমোরিএলদা ইকায় খুম্নবা উৎপা, আর্মি হেদ ক্বার্টর্সতা গার্দ ওফ ওনর য়েংবা, জেনরেল শর্ম্মগা মীফম অমা পাঙথোকপা, নেপালগী আর্মিদা তোঙান তোঙানবা নন-লিথেল মিলিটরি আইটেমশিং শীন্নবা, আর্মি কম্মান্দ এন্দ ষ্টাফ কলেজ, সিবপুরিদা মহৈরোয় ওফিসরশিংগা ইন্টরেক্সন তৌনবা অমসুং পোখরাদা লৈবা মিদ কম্মান্দ হেদ ক্বার্টর্সতা ভিজিট অমা পাঙথোকপা য়াওরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

নেপাল অমসুং ইন্দিয়ানা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নরকপা চহী ৭৫ মপুং ফারকপগী সেলেব্রেসন পাঙথোকপগা লোয়ননা জেনরেল পান্দেনা কাঠমান্দুদা পীগদবা অচৌবা মিলিটরি মতেং লাউথোক্কনি। জেনরেল পান্দেনা দিফেন্সকী পোর্টফোলিওসু পায়রিবা প্রাইম মিনিষ্টর সের বহাদুর দ্যুবাগসু উন্নগনি। মসি মহাক্কী মমাঙদা লৈরম্বা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ মনোজ মুকুন নরাবানেনা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুং এপ্রিল ৩০ দা ওফিস পায়বা হৌরবা মতুংদা পাঙথোকপা মহাক্কী অহানবা নোপাল খোঙচৎনি।

# অথুবা মতমদা আই এম এফকা ষ্টাফ-লেভেল এগ্রিমেন্ট পুরক্লগনি

কলম্বো, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী): শ্রী লঙ্কানা শেল থুমগী ক্রাইসিস মায়োক্লরিঙৈ মরক অসিদা ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) কা নিগোসিএন চথবদা শীংথানিংঙাই ওইবা প্রোগ্রেস লৈরে হায়না সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ শ্রী লঙ্কা (সিবিএসএল) গী গভর্ণর নন্দলাল ৱিরা সিঙ্গেনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱিরা সিঙ্গেনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, আই এম এফকা নিগোসিএসন চথবদা প্রোগ্রেস মতিক চানা লৈরে হায়না ঐহাক্না লাউথোক্লি। নিগোসিএসন অসিগী প্রোগ্রেসকী অহানবা মরু ওইবা তাঙ্কক অমা ওইনা অথুবা মতমদা আই এম এফকা ষ্টাফ-লেভেল এগ্রিমেন্ট অমা লাক্লগনি।

ঐখোয়না আই এম এফকা এগ্রিমেন্ট অদু হেক পুরকপগা ঐখোয়গী খুৎতা অফবা প্রোগ্রাম অমা শোয়দনা লৈরগনি। ৱিরা সিঙ্গেনা মখা তানা হায়খি, মদুদি এগ্রিমেন্ট অদু মরু ওইবা পোলিসি রিফোর্মশিংগা লোয়ননা পুরক্কদৌরিবনি। শ্রী লঙ্কানা কুমজা ১৯৪৮ দা নিংতম্বা ফঙখিবদগী মায়োক্লরিবা খ্বাইদগী শাথিবা ক্রাইসিসনা চৈথেং পীরবা লৈবাক অসিগী ইকনোমি হিংগৎহন্নবা অসিগুম্বা পোলিসি রিফোর্মশিং য়াম্না মথৌ তাই।

# টাইৱাননা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎতুনা চাইনাগী মায়োক্তা মশা ঙাকথোকচগনি



টাইপৈ, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী): চাইনানা হন্দক্তা টাইৱান ষ্ট্রেটতা মিলিটরি দ্রিল পাঙথোক্তুনা মফম অসিগী ষ্টেটস কোদা অকায়বা পীখি হায়না ঈথৎ অসিগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে অমদি চাইনাগী মায়োক্তা মশা ঙাকথোকচনবা হোৎনবদা ঈথৎ অসিনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎকনি হায়খ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্স পার্সন লি-ফ্রাঙ্কসুননা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না মখা তানা ময়াই লম্বীদগী হেন্দোক্তনা লৈদুনা ঐখোয়গী নেসনেল সেক্যুরিটি ঙাক শেনগনি অমসুং ঐখোয়গী য়ুমশিং, ঐখোয়গী ইমুংশিং অমসুং ঐখোয়গী সোভরেন্টিবু ঙাক শেন্নবা ঐখোয়না মথৌ তাবা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎকনি।

পনবা য়াবদি, য়ুএস হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা ওগষ্ট ২ দা টাইপৈদা খোঙচৎ অমা চৎখিবগা ইরোয়ননা চাইনিজ পিপলস লিবরেসন আর্মিনা টাইৱানগী অকোয়বদা মিলিটরি মেনুভরশিং লোঞ্চ তৌখিবনি। খোঙচৎ অদু লোইখ্রবা মতুংদসু পিএলএনা পাক শন্না মেরিটাইম অমসুং এরিএল দ্রিলশিং পাঙথোকখি। চাইনিজ দ্রোনশিং টাইৱানগী কিনমেন ঈথৎকী মথক্তা পায়শিল্লকপা উখি।

টাইৱানিস লান্মী অনীনা দ্রোন অদুদা য়েংখৎপগী শক্তম য়াওবা চাইনাগী ভিদিও অমা ভাইরেল ওইখি। টাইৱানগী কিনমেন দিফেন্স কম্মান্দনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা হায়খি, মদুদি কম্মান্দ অসিনা চাইনিজ মিলিটরি দ্রোন অমদা ৱার্নিং সোটশিং কাপখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেননা পেংহু কাউন্টিদা লৈবা এয়র বেজ অমদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না টাইৱানগী মিলিটরিদা চাইনাগী কায়হৌবগী থৌওংশিংগী মায়োক্তা মথৌ তাবা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা ওর্দর তৌখ্রে হায়খি।

# এক্স-ব্রাজিলিয়ন প্রসিদেন্টনা ওপিনিয়ন পোলদা লিদ তৌরি

ব্রজিলিয়া, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী): লাক্লিবা ওক্তোবরদা পাঙথোক্ক-দৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনগী মাঙওইননা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট লুই ইনাসিও লুলুদা-সিলবানা ওপিনিয়ন পোলদা লিদ তৌদুনা চৎলি।

ৱার্কর্স পার্টি রিপ্রজেন্ট তৌরিবা লুলাবু ভোটর চাদা ৪২.৩ না শৌগৎখি অমসুং কঞ্জাবের্টিব লিবরেল পার্টিগী হৌজিক লৈরিবা প্রসিদেন্ট জায়র বোলসোনারোবু ভোটর চাদা ৩৪.১ না শৌগৎখি হায়বসি এমদিএ সর্বে ইন্সটিট্যুটনা রিলিজ তৌবা খ্বাইদগী নৌনা পোলনা উৎখি।

হৌখিবা মেদা মমাঙগী সর্বে রিলিজ তৌখিবদগী কেন্দিদেট অনীমক ভোটরশিংনা হান্নদগী হেন্না শৌগৎনখি। মমাঙগী সর্বে অদুদা লুলাবু ভোটর চাদা ৪০.৬ তা শৌগৎখি অমসুং বোলসোনারোবুনা ভোটর চাদা ৩২ না শৌগৎখি। পোল অদুগী মতুং ইন্না লুলাবু মিনিমম ৱেজ দগী শরুক অনী হেন্না তানবা ঙম্বা ৱার্করশিং, মাপনশুবা গ্রেদ ফাওবা তম্লবা মহৈরোয়শিং, কেথলিকশিং অমসুং অৱাং নোংপোক থংবা লমদমগী ভোটরশিংনা হেন্না শৌগৎখি।

অমরোমদা, হৌজিক লৈরিবা প্রসিদেন্ট বোলসোনারোবু মিনিমম ৱেইজকী শরুক অনীদগী হেন্না তানবা ঙম্বা ৱার্করশিং, মিদ্দল নত্ত্রগা হায়র এদুকেসন ফাওবা তম্লবশিং ইভাঞ্জিলিকেলশিং অমসুং লৈবাক অদুগী খা অমদি ময়াই-নোংচুপ থংবা রিজনশিংদনা হেন্না পাম্নখি।

# টালিবাননা ফোরেন ফোর্সশিং ৱিদ্রো তৌখিবা চহী মপুং ফারকপদা সেলেব্রেসন তৌরি

কাবুল, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী): অফঘানিষ্টানদগী নোংচুপলোমগী ফোর্সশিং ৱিদ্রো তৌখিবা চহী অমা মপুং ফারকপদা টালিবান রেজিম্না হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা টালিবানগী সুইসাইদ বোম্বর স্কাউদশিং অমদি মমাঙগী গার্দশিংনা লোকেল য়ুনিফোর্মদা মোটোর সাইকল তোংদুনা চৎপগা লোয়ননা ওইল কন্টেন্নরশিং শীজিন্নদুনা শাখিবা ক্রুদ বোমশিং উৎখ্রে।

য়ুএসনা লুচিংবা নাটোগী ফোর্সশিংনা লৈবাক অদুদগী কাং খোং চাইবা মওংদা ৱিদ্রো তৌখিবদা হুন্দোক্লম্বা দোল্লর বিলিয়ন তরেৎলোমগী ওইগদবা অমেরিকন মিলিটরি ইক্বিপমেন্টগা লোয়ননা মিলিটরি পেরেদ অমসু পাঙথোক্তুনা মখোয়গী ষ্ট্রেংথসু উৎখি হায়রি।

ইভেন্ট অদু কাবুলগী অৱাংদা লৈবা বাগ্রম এয়র বেজতা পাঙথোকখি। বাগ্রম এয়রফিল্ড অসি অমেরিকনশিংনা অফঘানিষ্টানদা চহী ২০ ওপরেট তৌরিঙৈ মনুংদা মখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা মিলিটরি হেদ ক্বার্টর্স ওইখি। এয়রফিল্ড অসিবু মখোয়না টালিবানগী মায়োক্তা মিলিটরি ওপরেসনশিং প্লান্নিং অমসুং কো ওর্দিনেট তৌবদা শীজিন্নখি। টেলিভাইস থৌরম অদু লোকেল ব্রোদকাষ্টরশিংনা লাইভ ওইনা শন্দোকখি। নুমিৎ অসিবু নেসনেল হোলিদে অমনি হায়না রেজিম অসিনা লাউথোকখি অমদি টালিবান ফোর্সশিংনা অহানবা কুমওন নুমিৎকী অহিং কাবুলদা পাক শন্না বোম্বুলা থাদুনা অমদি নোংথক্তা নোংমৈ কাপ্তুনা সেলেব্রেসন তৌখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা টালিবানগী প্রাইম মিনিষ্টর মুলা আসন অখুননা হায়খি, মদুদি নুমিৎ অসিগীদমক্তা মখোয়না চহী ২০ লাম্থেংনখি। অদুম ওইনমক মহাক্না লৈবাক অদুগী শেল থুমগী ফিভম য়ুএসনা অথিংবা কয়া থম্বদগী শোক্লে হায়খি অমদি মালেমদা মখোয়গা ইনগেজ তৌননবা আপিল তৌখি। নোংচুপলোমগী ফোর্সশিংনা টালিবানগা লাম্থেংনবা লেপখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০২১ গী ওগষ্ট ৩০ দা ইকোন কোনবা অমেরিকান লান্মী অদু কাবুল ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট থাদোকখি।

# পাকিষ্টানগী ঈচাওগী ভিক্তিমশিংগীদমক য়ুনাইটেদ সিখসনা তেঙবাংগী পোৎলমশিং থাজিনখ্রে



ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী): মীওই লিশিং কয়া অমদি য়ুমদা লোইবা অমসুং ফার্মগী শা লিশিং কয়া অৱা চৈথেং নঙলবা পাকিষ্টানগী চাসাদা দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ঈচাওগী ভিক্তিমশিংগীদমক্তা য়ুএনদা এফিলিএট তৌবা এনজিও য়ুনাইটেদ সিখসনা তেঙবাংগী পোৎলমশিং থাজিনখ্রে।

য়ুনাইটেদ সিখসকী লোকেল সিখ ভোলুন্টিয়রশিংনা ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুংশিংবু খুদোংথীবা নঙলরোইদবা মফমশিংদা লৈহন্ন-বগীদমক্তা কেম্প অমা শেম-গৎখি। মখোয়না কেম্প অদুদা লৈহনগদৌরিবা ঈচাওগী ভিক্তিমশিং অদুদা চান থক্লবা পোৎলমশিং, ঈশিং অমসুং অতৈ তঙাই ফদবা পোৎলম কয়া ফঙহনগনি। রিলিফকী থবক অদু পাকিষ্টানদা লৈরিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী রিপ্রজেন্টেটিব হদিয়ল সিংহগী লিচিং মখাদা পায়খৎপনি।

নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা ঈচাও অদুদা মীওই ১৬৩৪ অশোক অপন নঙলে, য়ুম ১০,০০০, থোং ১৪৯ অমসুং দুকান ১৭০ অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়ননা লম্বীসু কিমি ৩৪৫১ ফাওবা অমাঙ অতা থোক্লে। য়ুনাইটেদ সিখসনা মীয়ামগীদমক্তা এনজিও অসিনা শেমগৎলিবা মেদিকেল কেম্পশিংগীদমক্তা রিলিফ অমসুং মেদিকেল সপ্লাইশিং পীরক্লবা মালেমদা আপিলসু তৌখ্রে।